**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি অসি ঐখোয় পুন্না অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা হোৎনমিন্নরবদি শোইদনা মায় পাকপা ঙমগনি।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা খনগৎলবা আই.দি.পি মহৈরোই খরা লেমা মহৈ মশিং তম্বগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়রি।

৩) নেসনেল হাইৱে-টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে-৩৭ তা কোতুনা ব্লোকেদ তৌরম্বা অদু খুদক্তগী হন্দোকখ্রে হায়রি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সরকারগী থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা থাজবা থম্বদগী হৌখিবা চহি ১২ অসিদা চাউনা অহোংবা লাক্লে।

অমসুং

৫) নোংচুপ বেঙ্গল সরকারনা রাজ্য অদুগী সরকারগী বিভাগশিংদা লাখ ১ গী হাংদুনা লৈরিবা পোষ্টশিং অথুবা মতমদা মেনশিল্লগনি হায়রি।

------

ৱার্কশোপ (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি অসি সরকার, কর্ম্মচারি, ওজা অমসুং মীয়ামা পুন্না অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা হোৎনমিন্নরবদি শোইদনা মপুং ফানা মায়

পাকপা ঙমগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ। পন্থুং অসি য়ৌনবা হোৎনবদা মীপুম খুদিংমকা ইশা ইশাগী তৌদবা য়াদ্রবা ইথৌদাংনি খান্দুনা হোৎনমিন্নশি।

নুমিৎ হুমি চুপা চত্থগদবা রিফোর্মস ইন স্কুল ইজ্‌কেসন ইন মণিপুর হায়বা ৱার্কসোপ অসি ঙসি ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়- ক্লাস ৱানদগী ফাইভ ফাওবা তম্লিবা মহৈরোইশিংদা ইমালোলদা মহৈ মশিং তমহনবনা মখোয়দা তাকপী তম্বীবদা থুনা য়াংনা মহৈ হৈনবা হেনগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- স্কুলশিংগী কালেন ছুতি চয়োল অহুম ওইরম্বা অদু চয়োল অমখক্তমক ওইরে। সরকারগী লোইশঙ পুমমক্তা থাংজ ছুতি ওইরম্বা অদু মতম খরগী ওইনা ওইদ্রে। রাজ্য অসিগী থবক থৌরমশিংদা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংনা পনদুনা লৈরিবা থবকশিং অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা থাংজ অসি অমুক ছুতি ওইনবা হোৎনগনি।

মিট (এল) ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সন (আই.দি.পি) মহৈরোই মঙা অমসুং মখোয়গী মমা মপাগা লোয়ননা ঙসি লোক ভবনদা উন্নদুনা মখোয়গী মহৈ মশিং তম্বগী মতাংদা খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা রাজ্যপালনা হায়- অঙাং মঙা অসি উত্তরাখন্দগী দেহরাদুনদা লৈবা ইনফোর্মেসন টেকোলোজি ইন্সটিট্যুট ফোর ত্রাইবস ওফ ইন্দিয়া, দুন সংস্কৃতি স্কুলদা ক্লাস টেন ফাওবা লেমা মহৈ মশিং তমহল্লগনি। মহৈরোইশিং অদুবু পুকিং থৌগৎলদুনা রাজ্যপালনা হায়- মখোয়দা খুদোংচাবশিং অসি ফংহনদুনা অহেনবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং ফংহন্নবা হোৎনবনি।

থৌরম অদুদা আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী মেজর জেনেরেল গৌরব শর্ম্মা, ৯ শুবা অসাম রাইফলস সেক্তরগী কম্মান্দর ব্রিগেদিয়ার প্রতায়ুস কুমারসু য়াওখি।

গোবিনদাস (এল) ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি উরিপোক বচস্পতি মনিং লৈকাইদা নৌনা শাবা এস.এম. নিওরোলোজিকেল সেন্তর

(নিউরো) হোস্পিতাল ঙসি শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়- ঙসি হাংদোক্লিবা নিউরো হোস্পিতাল অসিনা হকশেলগী লমদা লমদম অসিদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামদা নিউরোগী হোস্পিতাল অসিনা নিউরোগী অনাবশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং অদু মতমগা চুনরবা লায়েংশিং ফংহনবা ঙমহল্লগনি।

ব্লোকেদ (এল) ঃ নেসনেল হাইৱে-টু অমসুং নেসনেল হায়ৱে-৩৭ তা কোতুনা ব্লোকেদ তৌরম্বা অদু খুদক্তগী হন্দোকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমী গুনগুন সিংসিৎনা হায়- কোতুগা রাজ্য সরকারগা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নবা পুরকপদগী ব্লোকেদ অসি খুদক্তগী হন্দোকখিবনি। কাংপোকপী জিলাদা কুকি-জোগী খুঞ্জাশিং অশোই অঙাম থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা জিলা অসিগী এস.পিনা পীরকপগা লোয়ননা মখোয়শিংবু চেকশিন্না ঙাক শেনগনি হায়বগী থাজবসু পীরকখি। জিলা অসিদা লৈবা কুকি-জো খুলশিংদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং ফংহনগনি হায়বগী থাজবসু এস.পিনা পীরকখি। মরাল লৈতবা পাষ্টর অহুম য়াওনা মীচম ১২ হাৎখিবগী মতাংদা অথুবা মতমদা লংলা লংজিল পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং ফাগৎনবা দাবীসু কোতুনা থমখি।

ফেরজোল (এল)ঃ জেদ.ই.ও ফেরজোলগী মীৎয়েং মখাদা ওতোমেতেদ পার্মেনেন্ট একাদমিক এক্কাউন্ট রেজিষ্ট্রি (অপার) আই.দি করমা শাগনি হায়বগী মতাংদা মেগা কেম্প অমা ফেরজোল হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মহৈরোই ৩০, মখোয়গী অহল লমনশিং শরুক য়াখি। ঙসিগী কেম্প অসিদা ফেরজোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল, পি.এম.এস ফেরজোল, আর.এম.এস. ফেরজোল, পারবুং হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমসুং জে.এস.এস পারবুং স্কুলগী মীওইশিং শরুক য়াখি। ঙসি পুন্না আপার আই.দি ১৪ শাখি।

ডে (এল) ঃ ৱাহেংবম লৈকাই য়ুমজাউ লাইরেন্বী কম্যুনিতি হোলদা য়ং সোসিও কলচরেল য়ুনিয়ন ৱাংহেংবম লৈকাইগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা থৌ পুরন্বা লৈখিদ্রবা অহল লমনশিংদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা বোসেমগী সেক্রেতরি শিজগুরুময়ুম জিতেলাল শর্ম্মনা বোর্দ, কোজেম অমসুং সি.বি.এস.ইনা লৌবা পরিক্ষাশিংদা মায় পাকখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

মনা (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাইতোন মনিং লৈকাইদা অহানবা খুন্দ্রাকপম অমদি লম্লাই লেবেল মেথ মেতিক্স কম্পিতিসনদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কম্পিতিসন অদু চেলেঞ্জরস য়ুথ ওফ খুন্দ্রাকপমনা শিনবনি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি লৈহন্নবা তোঙান তোঙানবা লুপশিংগী মীওইশিং উন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথ্রি।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়- চন্দ্রখোং অমসুং সেকমাইজিনগী মৈরা পায়বী, লিলোংগী মুস্লিমগী লুচিংবশিং, থৌবালগী সোসিয়েল মিদিয়া ইনফ্লুয়েন্সর অমদি সঙাইথৈ অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী প্রিন্সিপাল, খুলগী লুচিংবশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

অমরোমদা অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়ুথ ত্রেনিং অমসুং ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট প্রোগ্রামশিং পাঙথোকখে। ককচিং অমসুং চান্দেল জিলাদা আগি বিরগী প্রি-রিক্রুটমেন্ট ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে। থা অহুমগী ওইবা ফি শাবা অমসুং ফুরিৎ লোনবা তম্বগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখ্রে। মসিদা তোঙান তোঙানবা কাংলুপকী নুপীশিং শরুক য়াখি।

মেট (এল) ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী চীংগী জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাউ নোং চুরবা য়াই। থৌবাল, ককচিং অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাশিংদনা থা অসিগী ২৪ দা অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। অদুমওইনমক জিরিবাম জিলাদদি লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসি অখাক অরাউ য়াওবা অদুমক চুরবা য়াই।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা চাউনা অহোংবা লাক্লিবা অসিনা সরকারগী থবক থৌরমশিংদা মীয়ামা থাজবা থম্বগা লোয়ননা মীয়ামগী লাইবক লেপ্পদসু সরকারনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মীয়ামা সরকারগী চাওখৎ থৌরাংগী স্কিমশিংগী মতেং লৌদুনা হিংনবগী লম্বীদা মায় পাকা চংশিল্লক্লি। কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা সোসিয়েল মিদিয়াদা আর্তিকল অমা সিয়ার তৌরদুনা শ্রী মোদিনা হায়- সরকার অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লনদি মীয়ামগী থাজবা অসিনি।

শ্রী গোয়লনা ইবা আর্তিকল অদুদা অফবা লৈঙাক সাসন, মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং অমসুং শোত্থরবা মীওইশিংগী হিংবগী পুন্সিদা হোংলক্লিবশিংগী মতাংদা পল্লদুনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা কেন্দ্র সরকারনা হৌখিবা চহি ১২ অসিদা লৈবাক অসিদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙম্বনি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গল সরকারনা রাজ্য শিনবা থুংবদা সরকারগী বিভাগশিংদা লাখ ১ গী হাংদুনা লৈরিবা পোষ্টশিং অসি অথুবা মতমদা মেনশিল্লগনি হায়রি। রাজ্য অসিগী ২০২৬-২৭ কী অহানবা বজেৎ মীফমদা সরকার অসিনা মীয়ামদা থবক ফংহন্নবা অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিন্নবা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

রাজ্যগী শেল থুম মন্ত্রি সোপন দাস গুপ্তনা হায়- লৌগদৌরিবা অহাংবা পোষ্টশিং অসিগী চাদা ৩৩ দি নুপীশিংগীদমক্তা খাক্তুনা থমগনি। মরুওইনা ওজা অমসুং ইজ্কেসনগা মরী লৈনবা ষ্টাফশিং লৌবদা নুপীশিংদা হেন্না খুদোংচাবা

ফংহনগনি। থবক থীরিবা মীওইশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহন্নবা থবক চংবগী চহিদা অহেনবা চহি মঙা কোমথোকবা সরকারনা ৱারেপ লৌখ্রে। বজেৎ অসিনা সরকারগী কর্ম্মচারি অমসুং পেন্সন্নরশিংদসু চাউনা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। রাজ্য সরকারগী কর্ম্মচারিশিংদা দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স চাদা ২০ হেনগৎলগনি। চহি অসিগী ওক্তোবর থাদগী চাদা ৩৮ গী দিয়ারনেস এল্লাৱেন্স ফংহল্লগনি। পেন্সন্নরশিংসু চপ মান্ননা চাদা ২০ দিয়ারনেস রিলিফ হেনগৎলগনি।

ব্রিক্স ঃ নুমিৎ নিনি চুপা চখুগদবা ব্রিক্স নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজরশিংগী মীফম ঙসি নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে। মীফম অদুদা ভারত, ব্রাজিল, চাইনা, ইজিপ, ইথিওপিয়া, ইন্দোনেশিয়া, ইরান, রসিয়া, সাউদি অরাবিয়া, সাউথ আফ্রিকা অমসুং য়ু.এ.ইগী সেক্যুরিতি চীফশিং শরুক য়ারি।

মীফম অদুদা মরুওইনা মমাংদা পাঙথোকখিবা ব্রিক্সকী জোইন্ট ৱার্কিং গ্রুপ ওন কাউন্টর তেরোরিজম অমদি ইনফোর্মেসন এন্দ কম্মুনিকেসন টেকে ালোজিগী লমদা সেকুরিতিগী শিজিন্নবগী মতাংদা হন্না য়েংশিনগনি। মালেমদা ঙসি মায়োকরিবা সেক্যুরিতিগী শিংনবশিং থেংননবা মীফম অসিনা অখন্ননা মীৎয়েং থল্লি। মীফম অদুনা সাইবর সেক্যুরিতি, দিজিতেল অমসুং আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সকা মরী লৈনবা ৱাথোক কয়াগী মতাংদসু কুপা খন্নগনি।

মরক অসিদা, ১১ শুবা ব্রিক্স ইনর্জি মন্ত্রিশিংগী মীফম থা অসিগী ২৫ দগী নুমিৎ নিনি চুপা হরিয়ানাদা পাঙথোক্লগনি।

ব্রিক্স চেয়ারসিপ ২০২৬ কী মখাদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা মরুওইবা লম অহুম-ইনর্জি সেক্যুরিতি এন্দ সসটেনেবিলিতি, ইনর্জি এক্সেস এন্দ ইক্যুতি অমসুং টেকোলোজি এন্দ ইনোভেসনগী লমদা মপুং ওইনা খন্নগনি।

মীফম অসিদা ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ইনর্জি মন্ত্রিশিং অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াগনি। মখোয়না ইনর্জি সেক্যুরিতি, সসটেনেবিলিতি অমসুং ইনোভেসনগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি।

কমিতি ঃ সংসদ সদস্য শশি থারুরনা লুচিংবা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কমিতিগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি জম্মু কাশ্মীর অমসুং লদাখতা বোর্দর সেকুয়রিতি অমসুং ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা য়েংশিন্নবা চৎখ্রে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- থা অসিগী ২৫ ফাওবা নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা কমিতি অসিনা জম্মু, শ্রীনাগর, কার্গিল অমসুং লেহ্দা চত্নুনা বোর্দর মেনেজমেন্ট অমসুং সেকুয়রিতিগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনগনি। পেনেল অসিনা হন্দক্তর লৈবাক অসিদা অতৈ লৈবাকশিংগা লৈনরিবা মরী, ইন্দজ ৱাটর ত্রিতি তোকখিবা অমসুং লাইন ওফ কন্ট্রোল অমদি আন্তরজাতিগী ঙমখৈ পরিংদা ঙমখৈ লান্না চত্থরকপা তেরোরিজমগী শিংনবশিং য়েংশিল্লি। মখোয়না নোংপোক থংবা লদাখকী লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল পরিংদা ভারত অমসুং চাইনাগী লৈনরিবা ফিভমসু য়েংশিল্লি।

কমিতিগী মেম্বরশিংনা মফম অদুগী মীয়ামগা ৱারী শান্নবগী মথক্তা সিভিল অমসুং লান্মীগী সেনিয়র ওফিসিয়েলশিংগা উন্নখি। মদুগী মমাংদা মপান থৌরম মন্ত্রালয় অমসুং ফোরেন সেক্রেতরি বিক্রম মিস্রিনা নিউ দিল্লিদা পেনেল অসিদা ভারত-চাইনা অমসুং ভারত-পাকিস্তানগী মরী পাডদমখি।

রেলৱে ঃ ইন্দিয়ান রেলৱেজনা ইষ্ট কোষ্ট রেলৱেশিংদা হেন্না শাফনবা কিলোমিতর ৬৩১ গী রেলৱে রুটতা ওতোমেতিক ত্রেন প্রোটেক্সন সিষ্টেম (কবছ) দিপ্লোই তৌনবা অয়াবা পীখ্রে।

রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়- প্রোজেক্ট অসিনা ইষ্ট কোষ্ট রেলৱেগী মরুওইবা রেলৱে সেক্সন ৬ বাগুৱাপাল-বুধাপঙ্ক, হরিদাসপুর-পারাদ্বিপ, খুরদা রোড-বলংগির, নাওপারা-গুনুপুর, লজিগর রোড-জ্নাগর অমসুং বোবিলিস সলুর য়াওরি। হায়রিবা রুটশিং অসিদা কবছ অসি হাপ্তুনা ত্রেনশিং মথৌ তৌবদা হেন্না শাফহল্লগনি। মসিনা ত্রেনশিং থেংজিন্নবগী চাংসু হন্থহল্লগনি। মন্ত্রালয়না হায়- প্রোজেক্ট অসিনা পেসেঞ্জরশিং অমসুং ত্রেন ওপরেতরশিংদসু কান্নবা ফংহল্লগনি।

পোর্তেল ঃ নেসনেল এগ্রিকলচরেল কোওপরেতিভ মার্কেতিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (নাফেদ)কী ওক্সন পোর্তেল হয়েং নিউ দিল্লিদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হৌদোক্লগনি। তুংদা, শ্রী সাহনা নাফেদকী বোর্দ ওফ দাইরেক্তরশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্কনি। মীফম অদুদা মরুওইনা নাফেদকী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ হৈরাংখোংজম ভবনদতগী--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি নুমিদাং পুং ১০ মখায় তাবা মতমদা আর্জেন্তিনা অমদি ওস্ত্রিয়া শান্নগনি। হয়েং অয়ুক অঙনবা পুং ২ মখায়দা ফ্রান্সকা ইরাক্কা, হয়েং অয়ুক পুং ৫ মখায়দা নোরৱেগা সিনেগলগা, অয়ুক পুং ৮ মখায়দনা জোরদানগা অলজেরিয়াগা শান্নগনি। হয়েং নুমিদাং পুং ১০ মখায়দা পোর্তুগলগা উজবেকিস্তানগা শান্নগনি।

ক্রিকেট ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা আর.সি.এ লিলোংনা সি.দি.সি.সি শগোলবন্দ শলাম লৈকাইবু রন ২৪৫ দা থোইখি।

অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা টি.সি.এম.দি.দি থোংজ্ পার্ট-টু পেচু লম্পাকা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালবু রন ১৪ দা থোইখি। ঙসি অতোপ্পা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদনা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু রন ৪৮ দা থোইখি। অতোপ্পা ক্বাতর ফাইনেল মেটচ অমদা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা এ.এম.সি.এ থৌবালবু ৱিকেট মঙাদা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ পি.আর.ৱাই.এ ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- ই.কে.এস.এ শৈজাংনা এস.এ.কে. য়ুমাম খুনৌবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা কে.এ.এফ.এ কোন্থা অহল্লুপনা টি.ৱাই.এস.ও তুমুখোংবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ফুটবোলঃ পোল ষ্টার দিভলপমেন্ট য়ুনিয়ন্না শিনবা অহানবা পি.এস.দি.য়ু ট্রোফি ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ অমদা এরো এফ.সি ককচিং খুনৌ অমসুং দব্লিউ.এম.ৱাই.দি.এ ৱাবগাই পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী পেনালতি কাউনবদা দব্লিউ.এম.ৱাই.দি.এ ৱাবগাইনা পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

------